এপেনদিক্স- ১

## অশুপ্পা ৱারোল

অহানবা তাঙ্কক

- মখল মখা কয়াগী খেৎনবা মীওইশিংনা পুন্না হিংমিন্নবা খুন্নাই অমগী ইদুকেসনগী চৎনপথাপপু মপাঙ্গল কনখৎহনবা ।
- করিকুলমগী পোৎলুম অসিবু , লর্নিং ৱিদাওথ বর্দনগী লিচিং মখাদা হন্থহনবা ।
- করিকুলমগী অহোংবগা, সিষ্টেমগী অহোংবগা অনিদা তাল মেল চান্নবা ।
- কনষ্টিত্যুসনদা য়াওজখ্রবা খুদম ওইনা সোস্যিল জষ্টিস, মান্নবা অমশুং সেকুলরিজম হায়বনচিংবা ভেল্যু অসিবু শীগৎপা করিকুলম।
- পুমনমক্কিদমক ক্বালিতি ইদুকেসন ফংহনবা।
- দেমোক্রেতিক প্রাক্তিশ অমদি ভেল্যু, নুপা নুপী অনিগী মান্নবা থক্কি ৱাখল্লোন , সেদ্যুল কাষ্ট অমদি সেদ্যুল ত্রাইব অনিনা থেংনরিবা সমস্যাশিং, নামা শোইরবশিঙনা মথৌ তাবশিং অমশুং শেল থুমগী অমদি রাজনিতিদা শরুক য়াজবগী মপাঙ্গল শাগৎচনিংবগী পুকনিংগী অচেৎপা ফিরেপ লৈজবা।

অনিশুবা তাঙ্কক

- তমলিবিশিংনা, তমবা হায়বসিগী মতাংদা লৈজরিবা ৱাখল অসিবু অমুক নৌহৌননা শেমদোক শেমজিন লৈবা।
- তমলিবশিংগী দিভেলপমেন্ট অমশুং তমনবগী খোংজংবু হোলিষ্টিক ওইবা খোংথাং অমা ওইহনবা ।
- ইনক্লুজীভ ওইবা মওংগী ক্লাসরুমগী মওং মতৌ অমা শেমগৎপা ।
- লৌশিংবু শেমগৎ শাগৎপা অমশুং ক্রিয়েতিবিতিবু য়োকখৎপা হায়বসি তমবা মতমদা থোকহনবা ।
- ইশানা একসপিরিএনস ফংদুনা এক্তিব ওইবা লর্নর অমা ওইরকপা ।
- অঙাংশিংনা ৱাখল খনবা, খংনিংবগী অরাম খৌরাংবা অমশুং ৱাহং হংনিংবগী মফম পিবিবা ।

- লৌশিংবু শেমগৎ শাগৎপদা মতেং ওইননবগীদমক দিসিপ্লিন কয়াগী মনুংদা লৈবা লৌশিংশিংগী অমনা অমদা চুংশিন্নবগী খুদোংচাবা পিবা ।
- লৌশিংগী মনুংদা য়াওরিবা পোৎচাকশিং অসিদা তমলিবশিংনা মুন্না য়েংবা, একসপ্লোর তৌবা, অনৌবা পোৎ চৈ পুথোকপা, এনালাইজ তৌবা, ক্রিতিকেল ওইবা মওংদা রিফ্লেক তৌবা হায়বনচিংবাশিংসিশু লৌশিংগী শরুক অমনি ।
- সমাজগী হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকশিংদা ক্রিতিকেল ওইবা মিৎয়েং য়েংলকনবগীদমক শেমবা এক্তিবিতিশিং ।
- কৈরোল লৈকাইদা লৈবা লৌশিং অমদি অঙাংশিংগী একসপিরিএনস অসি তেক্সবুক অমশুং পেদাগোজিগী শরুক অমা ওইনা লৌবা ।
- অঙাংশীংনা ইনভাইরনমেন্টগা মরী লৈনবা প্রোজেক তৌদুনা ইনভাইরনমেন্টগী লৌশীং শেমবদা মতেং পাংবা অমসুং ভারতকী ইনভাইরনমেন্টগী লৌশীংগীগী পুঁকে শাগৎপা ।
- মহৈ-লোয়শংদা লৈরীঙৈ মতম হায়বসী য়ামনা অয়াংবা খোংথাংদা অঙাংশীংনা চাওখৎলক্লীবা মতমনী । মতম অসীদা মখোয়গী পাবা/খংবা ঙমবগী শক্তীদা, লীচৎ শাজৎতা হোংলক্লীবা মওং অসীনা মরম ওইদুনা লৌশীং তানবগী থৌরাং থৌশীল খনবদা ইথীন পী ।

অহুমশুবা তাঙ্কক

লোন

- লোনগী ওইবা স্কিল : ঙাংবা, তাবা অমদি ইবা ঙমবা হায়বসি লোনগী ওইবা হৈথৌই শিংথৌইবনি অমদি সবজেক পুমনমক্কীদমক মথৌ তাই । মসী ইলীমেন্টরী লেভেলদগী সেকেন্দরী লেভেল ফাওবদা লোন হায়বশীনা লৌরীবা থৌদাং অসী খঙবীগদবনী ।
- লোন অহুমগী ফোরমুলা অসী, য়ুমগী/মমারোলগী লোনবু তমবীবগী লোন অমা ইঁবগী ৰাখলবু তুংওইনদনা অনৌবা থৌনা অমগা লোয়ননা পাংথোক্কদবনী । মসী ত্রাইবেলী লোনশীংশু য়াওরীবনী ।
- অতোপপা ভারতগী লোনশীংগা লোয়ননা ইংলীস লোনশু মফম পীবীগদবনী ।
- লোন কয়ানা লৈতেংবা ভারতকী মওং অসীবু মহৈ-লোয়শংগী মচাক  অমা হঁনা লৌগদবনী ।

মেথমেতিক্স

- মেথমেতিক্স হায়বসিগী মনুংগী ওইবা ৰাফমদি লোজিকেল্লি খনবা ঙমবগী শক্তি, ফোর্মুলা শাগৎপা ঙমবগী শক্তি অমশুং এবসত্রেকসনবু খুৎলোইনবা ঙমনবগী খোংজং অদুনি ।

- মেথমেতিক্স তমবিবা হায়বসিনা অঙাংশিংদা ৰাখল খনবা তমবিবা , এবসত্রেকসনবু হেনদল তৌবা ঙমবা অমদি ফোর্মুলা শেমবনচিংবা অসি ঙমনবগী মপাঙ্গল হাপপা । অফবা মেথমেতিকসগী ইদুকেসন অসি অঙাং পুমনমকনা ফংবা হায়বসি মখোয়গী হকনি ।

সাইন্স

তমবিবগীদমক মথৌ তাবা , কনতেন্ট , অপোর হায়বসিগা তমলিবশিংগী চহিগা তনজা মেনজা খংনা চৎমিন্নবা ওইগদবনি ।

সাইনসকি লাইরিক লাইশু তমবগী থৌওং অসি ওজাশিংদা সাইনস তমবগা মরি লৈনবা ত্রেনিং পিবা ।

ইনভাইরনমেন্ট অমদি শুরি নোমলিবা মীশিংগী থবক হায়বসিদগী সাইনস তমবগী পানদম পুরকনবা হোৎনবা ।

সোস্যিল সাইন্স

- সোস্যিল সাইনস তমবিবগী পানদম অসি , অঙাংশিংবু মনিং তমনা খনবা ঙমবা অমদি রিফ্লেক তৌবা ঙমবগী শক্তিবু পুরকপা ভেল্যুশিং অদু য়োকখৎপদা ওইগদবনি ।

- লৈবাক্কি ওইবা , পুকনিং চিংশিন্নবা য়াবা ৰাফমশিংদা ফাওবা পুকনিং ইথিল হেনগৎহন্নবা খোংজং ।

- সিভিকস হায়বসি পোলিতিকেল সাইনস ওইনা তমবিবা , অঙাংশিংনা মশাগী শক্তম তাকচবদা হিষ্টরীগী থৌদাং ।

থবক (ৱাক)

প্রায়মরীগী থাক্তগীনা সেনীয়র সেকেনদরীগী থাক ফাওবগীদমক লৈরীবা করীকুলম অসী থবকপু লৌশীং তানবগী, শেমগৎ ভেল্যু শাগৎপগী অমসুং মখল মখা কয়াগী স্কিল তানবগী পেদীগোজীগী মেদীয়ম ওইনা খল্লগা অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎকদবনী ।

আর্ত

- আর্ত হায়রগা খংনরিবা ইশৈ জগোই , ভিজ্যুল অর্ত , পপেত্রিনচিংবা অসি শকুল করিকুলমগী শরুক অমা ওইগদবনি ।

- মসিগী মরুওইবা অসি মীয়াম পুমনমক্তা খংহনগদবনি ।

- মসি সবজেক অমা ওইনা থাক খুদীংমক্তা থমগদবনি ।

শানতী

- তোঙান তোঙানবা একতিবিতিশকি মতেং লৌরগা সবজেক খুদিঙমক্তা মসি য়াওহনগদবনি ।

- তির্চস ইদুকেসনগী শরুক অমশু ওইগদবনি ।

হকচাং ফবা অমদি শাজেলগী ইদুকেসন

- মসি প্রোগ্রাম কয়া থমদুনা ফগৎহল্লবদি, অঙাংশিংবু শকুলদা মিং চলহনবা, শকুলদা অশুমক লৈহনদুনা লাইরিক তমবা লোইশিনখিবা হায়বসি থোকহনবদা মতেং পাংই ।

মরিশুবা তাঙ্কক

- তঙাই ফদনা ফংফম থোকপা পোৎলম চৈরমশিং ফংহনবা , অমশুং ওজাশিংগী ফজবা পার্ফোর্মেন্স পিনবগীদমক মথৌ তাবা থৌরাংশিং থমবা ।

- অঙাংশিংগী মশাগী শক্তমবু হেন্না মশক থোকহনবা শকুলগী কল্চর অমা থমবা ।

- নামা শোইবা নত্রগা শোয়দবা থিদনা পুমনমকনা শরুক য়ামিন্নবা য়াবা এক্তিবিতিশিং ফংহনবা ।

- মশানা মশাবু দিসিপ্লিন থমজবগী তঙাইফদবদু মশাদা থমবা ।

- মীয়ামগী মরক্তা লৈবা লৌশিংবু থমদুনা কম্যুনিতি অমদি শকুলগী মরি ফগৎহনবা ।

- তমনবগীদমক মচাক মথুমগী ৱাখল্লোনদা অনৌবা মিৎয়েং : রিফ্লেক্তিপ থিংকিং অমশুং গ্রুপ ৱকপু পুকনিং থৌগৎপা , অমদি কনসেপ , এক্তিবিতি অমশুং প্রোব্লেমদা পুকনিং চিঙশিনবা তেকসবুক । অনৌবা মিৎয়েংদা য়ুমফম ওইবা লাইরিকশিং , ওজাশিংগী হেনবুক । মলতিমেদিয়া অমদি ইনফোর্মেসন তেকনোলোজিবু নাকল অনিমক্তগী অৱাই অখুম তৌদুনা খন্ন- নৈনবগী পামৈ ওইবা । শকুলগী লাইব্রেরি হায়বসি ওজা অমশুং মহৈরোই অনিমকনা মখোয়গী লৌশিংগী ঙমখৈ পাকথোক চাওথোকনবগী শিজিন্নবা ।

- দিসেনত্রেলাইজ ওইবা থৌরাঙগী মতাংদা শকুলগী কেলেনদর অমশুং রুতিন শেমদুনা ওজাশিংগী মনিং তমবা অমদি প্রোফেসনেলিজম শেমবা ।

মঙাশুবা তাঙ্কক

- সিষ্টেমিক ওইবা অহোংবগী ৱাখলসিগা ইরোইনরিবা অফবা ক্বালিতি হায়বসিনা মথৌ তাহনদু লৈরমলিবা অশোনবাশিং অসিবু অমুক শেমদোক শাজিন তৌবগী শক্তি ।
- কমন স্কুল য়োকখৎতুনা, তোঙান-তোঙানবা য়াক কয়াগী অঙাংশীংনা পুন্না তমমীন্নদুনা মহৈ-লোয়শংগী পুনসীবু হেন্না মশক থোকহনগদবনী ।
- মখারোমদগী মথকলোমদা থৌরাং তৌবগী ফ্রেমর্ৱক অমা ব্লোক অমসুং ক্লসতর লেভেলদা দীসেনত্রেলাইজ ওইবা মওংদা থমগদবনী । হেদ মাষ্টর অমশুং ওজাশিঙনা শরুক য়ামিন্নদুনা থৌরাং তৌবা ।
- ওজাশীং অমসুং ওজা মকোক না শরুক য়ামীন্নদুনা একদেমীক্কী ওইবা ৱাফমশীংবা ৱারেপ লৌমীন্নগদবনী ।
- মোনীতর তৌবা হায়বসী ক্বালীতী হেনগৎনবগীদমক, তমবী-তাকপীবগী খোঙচৎপু ফগৎনবীগমক তঙাইফদবা মচাক অমনী ।
- ওজাশিংগী ত্রেনিংবু হেন্না মপাংগল কনখৎহনবা : অঙাংশীংনা মশানা মশাগী তেলেন্ট পুথোকচবা ঙমনবা , লমচৎ ফজবা, মসীগীদমক মতেং পাংবা ঙমবা, শৌগৎপা ঙবা  ওজাশীং শেমগৎপা,   ; করীকুলমদা অহোংবা পুরকনবা হোৎরীবা মীওই কাংবুশীংগী মনুংদা য়াওশনবা ।
- ওজাশীংগী ত্রেনীংগী শক্তম অমুক হোংদোক্তুনা , লৌশীং শেমগৎ শাগৎপদা শরুক য়াবা, মসীদা মতেং পাংবা, প্রইক্তীশকা থীওরীগা পুনশীনবা, সমাজগী লৈরীবা ৱাখোক-লালথোকশীংদা পুকনীং চীংশনবা ;
- ওজাশীংনা লোন ফজনা ঙাংবা ঙমলকপা, শীনফনগী ওইবা হৈথৌহি-শীংথোয়বা হেল্লকপা ।
- ইন-সার্ভিস ইদুকেসন অসি শকুলবু হোংহল্লকনবগী খুৎলাই ওইহনবা ।
- পনচায়তি রাজ সিষ্টেমবু কনখৎহনবগা মরি লৈনহনবা ।
- পরিক্ষাগী পোৎলুম অসি হনথহন্নবগীদমক মখাগীশিং অসি মথৌ তাই : কনতেনট বেজ তেষ্টিংদগী প্রোব্লেম সোলবিং অমদি অনর্দষ্টেনদিং লোমদা মায় ওনশিল্লকপা । অতেনবা মতমগী পরিক্ষা । ইনত্রানস তেষ্ট তৌনবগী নোদেল এজেন্ট অমা থমবা ।
- ৱার্ক সেনতর ইদরকেশনবু ইনষ্টিত্যুসেলাইজ তৌদুনা প্লস টুগী লেভেল ফাওবগী থাক্তা, ভোকেশনেল ইদুকেশনগী য়ুমফম শেনবগীদমক করীকরলমগা পুনশীনবা ;

- মীশনগী থবক্কুমনা খল্লগা ভোকেশনেল ইদুকেসনবু তেফঙানবা ষ্টীম ওইনা থমদুনা কসতর, ব্লোক অমদী দীষ্ট্রীক লেভেলদা হৌগৎপা।

- ওজা অমশুং মহৈরোয়শিংগী অপাম অপামবা য়েংদুনা খনবা য়ানবগীদমক তেকসবুক ময়াম অমা ফংহনবা একসপিরিমেনতেসন অমশুং ইনোবেসনবু পুকনিং থৌগৎনবগীদমক তোঙান তোঙানবা ক্লাসরুমশিংদগী লাকপা তিচিং একসপিরিএনসপু শরুক য়াহনবা৷

- সেলেবস , তেকসবুক অমদি তমবী তাকপিবগী মচাকশিং অসি দিসেনত্রেলাইজ ওইবা মওংদা ওজাশিং , অখং অহৈশিং , এন:জি:ও শিং অমশুং ওজাশিংগী শিংলুপশিংগা লোইননা শেমীন শামিন্নবগী থবক তৌগদবনি ।